# ইন্দিয়াগী এনঐচপিসিনা নেপালদা হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক পৱার প্রোজেক্ট অনী দিভলপ তৌবগী অয়াবা ফঙলে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৯ (এজেন্সী): মরু ওইবা খোঙথাং অমদা নেপালগী সের বহাদুল দ্যুবা গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়াগী এনঐচপিসিদা লৈবাক অদুদা মৈ মেগাৱাট ১২০০ পুথোকপা ঙম্নবা হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক পৱার প্রোজেক্ট অনী দিভলপ তৌবগী অয়াবা পীখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর দ্যুবানা চিয়ার লৌদুনা কাঠমান্দুদা পাঙথোকখিবা ইনভেষ্টমেন্ট বোর্দ নেপালগী মীফম অমদা এনঐচপিসিবু সুদুর পসিম প্রোভিন্সতা মিলিৱাট ৪৫০ গী সেতি রিভর-৬ হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্ট অমসুং মিলিৱাট ৭০০ কী ৱেষ্ট সেটি ষ্টোরেজ হাইদ্রো প্রোজেক্ট একজামিন তৌবগা লোয়ননা দিভলপ তৌহন্নবগী ৱারেপ লৌখি।

ৱেষ্ট সেটি প্রোজেক্ট অসি চহী ৪০ মুক্কী মমাঙদা থৌরাং তৌখিবা নেপালনা য়াম্না কন্না খন্ন-নৈনখিবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা অমনি। প্রোজেক্ট অনীমক নেপালগী নোংচুপ থংবা লমদমদা পায়খৎলিবনি। অনীমক ষ্টোরেজকা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিংনি।

ইনভেষ্টমেন্ট বোর্দনা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না বোর্দ অসিনা ইন্দিয়ন কম্পেনি অসিগা খুৎয়েক পীনগদবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিংগী দ্রাফট অয়াবা পীখি। প্রোজেক্ট অদু দিভলপ তৌবগী থবক হৌনবগীদমক্তা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ পৱারগী মখাদা লৈবা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টগী হাইদ্রো পৱার ওথোরিটি অমা ওইরিবা এনঐচপিসি লিমিটেদনা হৌখিবা মেদা এপ্লিকেসন অমা সবমিট তৌখি।

চহী তরুক্লোমগী মমাঙদা ইহান হান্না প্রপোজ তৌখিবা ৱেষ্ট সেটি প্রোজেক্ট অসি নেপালগী নোংচুপ থংবা লমদমদা চেল্লিবা সেটি তুরেলদা লৈ। প্রপোজ তৌরিবা দামগী মফম অদু সেটি তুরেল অমসুং কর্নালি তুরেলগী তাইনফমগী মথক্লোমদা কিলোমিটর ৮২ কাখৎলগা লৈ অমসুং মদু গঙ্গা তুরেল বেসিনগী অৱাং থংবা শরুক্কী মনুং চল্লি।

মফমশিং অদু মিটর ৫৬০ দগী ৯২০ ফাওবা ৱাংনা লৈ অমসুং নেপালগী দিষ্ট্রিক্ট তরুক ফাওবা সাইটশিং অদুনা কোনগনি। ইনভেষ্টমেন্ট বোর্দকী মতুং ইন্না প্রোজেক্ট অসিগী চাওরাক্না পান্নরিবা অচংমলদি দোল্লর বিলিয়ন ২.৪ নি। এনঐচপিসি লিমিটেদকা খুৎয়েক পীনগদবা এমওয়ু এপ্রুভ তৌবগী মথক্তা বোর্দকী মীফম অদুনা মেগাৱাট ৬৭৯ গী লৱার অরুন হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্ট শানবগী ফন্দিং তৌনবা ইনভেষ্টমেন্ট এপ্রুভ তৌনবসু শেম শাবা হৌনবা আইবিএনগী ওফিসতসু দিরেক্সন পীখি।

মেগাৱাট ৯০০ গী অরুন ৩ প্রোজেক্টকী থবক পায়খৎলিবা ইন্দিয়াগী এসজেভিএন লিমিটেদপু লৱার অরুন প্রোজেক্ট পায়খৎনবসু চহী অসিগী জুলাইদা অয়াবা পীখি। অসুম্না নেপাল অমসুং ইন্দিয়ানা হাইদ্রো পৱার ইন্দষ্ট্রিগী লমদা কোলাবোরেসন হেনগৎহন্নবা খন্নরকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চল্লাইরিবা ফার্ম অসিনা ৱেষ্ট সেটি প্রোজেক্টশিং দিভলপ তৌবগী ৱাফম অসি হৌদোরকখিবনি।

খোঙথাং অসি নেপাল অমসুং ইন্দিয়ানা হৌখিবা এপ্রিলদা ইনর্জিগা মরী লৈনবা কম্মন ভিজন ষ্টেটমেন্ট অমগী এগ্রিমেন্ট অমা রিলিজ তৌখিবা মতুংদা লাকপনি।

## হ্যুমেন ট্রাফিকিং:
# জুদিসল কনফরেন্সশিং ওর্গনাইজ তৌনবা এমঐচএনা হায় কোর্টশিংনা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৯ (এজেন্সী): জুদিসল ওফিসারশিংবু হ্যুমেন ট্রাফিকিংগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং দিল তৌবা ঙমহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সকী ৱিমেন সেফতি দিভিজন্না হায় কোর্ট পুম্নমক্কী রেজিষ্ট্রার জেনরেলশিংদা হ্যুমেন ট্রাফিকিংগী মতাংদা জুদিসল কনফরেন্স অমা পাঙথোক্নবা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে হায়না এম ঐচ এনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

রেজিষ্ট্রার জেনরেলশিংদা অইবা চেরোলনা ইন্সট্রক্সন পীরদুনা এম ঐচ এনা হায়খি, মদুদি হ্যুমেন ট্রিফিকিংগী কমপ্লেক্স নেচর অসিবু দিল তৌননবা মল্টি দাইমেনস্নেল ষ্ট্রেটেজি অমা মথৌ তাই। হ্যুমেন ট্রাফিকিং থেংনবদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগা কো ওপরেসন হেনগৎহনবা অমদি ইন্টর-ষ্টেট চেনেল ওফ কম্ম্যুনিকেসন লিংবা অসি ইফেক্তিব ওইবা পাম্বৈ অমা ওইগনি হায়না ইন্সট্রক্সন অদুদা পনখি।

এম ঐচ এনা রেজিষ্ট্রার জেনরেলশিংদা হাই-সেসন কোর্টশিংগী জজশিং, পব্লিক প্রোজিক্যুটরশিং, দিষ্ট্রিক্ট নোদেল পুলিস ওফিসরশিং, এনজিওগী ওফিসলশিং অমসুং ষ্টেটশিংগী অতৈ ষ্টেক হোল্ডরশিংনা শরুক য়াগদবা কনফরেন্সশিং মখোয়গী ষ্টেটশিং/য়ুটিশিংদা পাঙথোক্নবসু ইন্সট্রক্সন পীখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ইন্সট্রক্সন মতুং ইন্না কনফরেন্সশিং অদুদা জুদিসল ওফিসারশিং সেন্সিটাইজ তৌবা, মেজিষ্ট্রেটশিং অমসুং জজশিংবু লোগী মতুং ইন্না চান্নবা এক্সন লৌখৎপদা মতেং পাঙবা জুদিসল ওফিসারশিংনা হিরম অসিগা মরী লৈনবা ৱারেপ লৌবগী থৌওংদা ইম্প্রুভমেন্ট লাকহনবা অমদি হ্যুমেন ট্রাফিকিং কন্ট্রোল তৌবদা এনজিওশিং অমদি সিভিল সোসাইটিশিংনা লৌগদবা থৌদাং খঙহনবা লোয়ননা মরী লৈনবা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল লোশিংগী এৱার্নেস হেনগৎহনবা য়াওরি।

কুমজা ২০২০ দা পুন্না হ্যুমেন ট্রাফিকিংগী কেস ১৭১৪ রেজিষ্টর তৌখি। কেস মশিং ১৮৪ রেজিষ্ট্রার তৌদুনা মহারাষ্ট্রনা হ্যুমেন ট্রাফিকিংগী কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না রিপোর্ট তৌখি অমসুং টেলঙ্গনানা চহী অসিদা হ্যুমেন ট্রাফিকিংগী কেস মশিং ১৮৪, অন্ধ্র প্রদেশনা কেস ১৭৪ অমসুং কেরলানা কেস ১৬৬ রিপোর্ট তৌখি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টনা হৌখিবা থাদা থাদোরকখিবা দেটোনা উৎখি।

এমঐচএনা মখা তানা হায়রি, মদুদি মমাঙগী কেস কয়াদা মরী লৈনবা ওফিসারশিং এৱার্নেস অমসুং ট্রেনিং ৱাৎলম্বা থেংনখি। মরী লৈনবা লোশিংগী মখাদা অসিগুম্বা ওফিসারশিং অসিনা অদুগুম্বা কেসশিং রেজিষ্টর তৌখিদবনা মরম ওইদুনা ইনভেষ্টিগেসন নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমখিদে।

# দাউরিগা মরী লৈননা আইআইটি-কে ফেকল্টি মেম্বরগী মায়োক্তা এফআইআর ফাইল তৌখ্রে



লক্ষ্ণৌ, ওগষ্ট ৯ (এজেন্সী): আইআইটি-কানপুর (আই আই টি-কে) গী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার অমগী লোইনবীনা মহাক্কী মপুরোইবা অমদি ইমুংশিংগী মায়োক্তা দাউরি হরাসমেন্ট, এসোল্ট, ইন্টিমিদেসন অমসুং মোলেষ্টেসনগী সেক্সনশিংগী মখাদা এফআইআর অমা ফাইল তৌখ্রে।

এফআইআর অদুগী মতুং ইন্না এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার অদু কুমজা ২০১৩ গী জনুৱারীদা নুপী অদুগা লুহোংখি। লুহোংলবা মতুং য়াম্না থুনা মহাক্কী মপুরোইবা অমসুং মনেম মকুশিংনা দাউরি ওইনা লূপা লাক্ষ ৫০ অমসুং লক্সরি কার অমা পীরক্নবা দিমান্দ তৌবদগী মহাক্না মপুরোইবা অমদি মনেম মকুশিংগা তোইনা খৎন চৈনদুনা লাকখি।

কমপ্লেন্ট অদুদা নুপী অদুনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্কী মপুরোইবনা মহাকপু থাদোকপা পামখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না য়ারিমখৈ পুক্লিং ফাথরগা মপুরোইবগা লৈমিন্নদুনা লাকখি। মপুরোইববু আইআইটি-কেগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার অমা ওইনা এপোইন্ট তৌখিবা মতমদা মহাক্না মপুরোইবা অমদি মহাক্কী ইমুংগা ইন্সটিট্যুট অদুগী প্রেমিসেসতা লৈমিন্নবা হৌখি।

তাঙ্কক অমদা মহাক্কী মতৈনা মহাকপু মোলেষ্ট তৌখি অমসুং থৌদোক অদুবু মহাক্না ইন্সটিট্যুট অদুগী সেক্যুরিটি ষ্টাফতা তমদুনা খঙহনখি হায়নসু নুপী অদুনা কমপ্লেন্ট অদুদা পনখি। এসিপি কাল্যানপুর দিনেস কুমার সুক্লানা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি নুপী অদুনা ঐখোয়দা কমপ্লেন্ট তৌরকপগা এফআইআর অমা থুনা ফাইল তৌখি।

আইআইটি-কেদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অমা ওইরিবা এক্যুজ অদুগী মায়োক্তা অকনবা মরাল কয়া শীরি। দাউরিগী মতাংদা য়েৎনরিবা অদু ইমুং অদুনা লৈখায় তাবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং মেটর অসি য়াশিন্নদুনা লৈখায় তাদবা তারবদি ঐখোয়না ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌগনি অমসুং লোগী মতুং ইন্না লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং মথং মথং লৌখৎলক্কনি হায়না পুলিস ওফিসার অসিনা মখা তাখি।

# কেরলাগী টৌপ পুলিস ওফিসারগী সস্পেন্সন মতম শাংদোকখ্রে

তিরুবনন্তপুরম, ওগষ্ট ৯ (এজেন্সী): কেরলাগী ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস জি লেক্ষমানাগী সস্পেন্সনগী মতম থা অহুম শাংদোকহন্নবগী ৱারেপ চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজায়ন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এপ্রুভ তৌখ্রে।

লেক্ষমানা অসি ফেক এন্টিক দিল্লর মোন্সুন মভুনকলগা মরী লৈনবা পুলিস ওফিসারনি হায়না মমাঙদা রিপোর্ট কয়াদা পনখ্রবনি।

আইএএস অমসুং আইপিএস ওফিসলশিংগী ওইবা এফিয়র্সকী কম্মিটি লুচিংলিবা চীফ সেক্রেটরি ভিপি জয়না নোট অমা ইস্যু তৌরদুনা হৌজিক লেক্ষমানাগী মায়োক্তা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অদু মপুং ফানা লোইশিন্দ্রিবা ওইবনা মহাকপু সস্পেন্দ তৌবগী মতম মখা তানা নুমিৎ ৯০ নি শাংদোক্লে হায়খি।

হোম মিনিষ্টরসু ওইবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টগী ওফিসলশিংগী ফাইলশিং হেন্দল তৌরিবা বিজায়ন্না রিকমেন্দসন অদু একসেপ্ট তৌবগা লোয়ননা মদুদা সাইন তৌখি।

লেক্ষমানা অসি ট্রাফিক দিপার্টমেন্টগী মকোক ওইখিবা মগুনকলগা অচেৎপা মরী লৈনরম্বগী মরালদা হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা সস্পেন্দ তৌখিবনি।

মীওই খরনা চীফ মিনিষ্টর বিজায়নদা ৱাকৎলদুনা নমথাক তৌবদা হৈ শিংলবা মীওই অসিগা লোয়ননা মহাক্না মরী লৈনবা মীওই খরনা নমথাক তৌদুনা লুপা ক্রোর ১০ রোম মখোয়দগী লৌথোকপীখ্রে হায়না খঙহনখিবা মতুং হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা মগুনকলবু ক্রাইম ব্রাঞ্চনা কোচিদা লৈবা মহাক্কী হোম-কম-ম্যুজিয়মদগী ফাখিবগা লোয়ননা পুলিস ওফিসর লেক্ষমানা অমসুং মহাক্না মরী লৈনবা মীওইশিং ৱাথোক অদুদা চেন্নৈ হায়বসি খঙলকখিবনি।

# চেন্নাইদা জুবেনাইল ১৫ গাড়ী থৌবা তাকপী তম্বীখ্রে

চেন্নাই, ওগষ্ট ৯ (এজেন্সী): পুন্সিগী অহানবা ওইবা ওফেন্সশিংদা চেন্নবা জুবেনাইল ১৫ বু গাড়ী থৌবা হৈহন্নবগীদমক্তা গ্রেটর চেন্নাই পুলিসনা নুমিৎ ৩০ নিগী ওইবা দ্রাইভিং ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা হৌখ্রে। জুবেনাইল ১৫ অদু টরামনিদা লৈবা ইন্সটিট্যুট ওফ রোদ ট্রান্সপোর্টতা গাড়ী থৌবগী ট্রেনিং পীরি। নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌখিবা প্রোগ্রাম অদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী ফ্লেগসিপ করিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎপা পর্সনেল এটিট্যুট রিফোর্মেসন এসিষ্টেন্টস ভেঞ্চর এফার্মিং আইদেন্টিটি নত্ত্রগা পরবাই স্কিমগী শরুক অমনি।

প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়ারিবা জুবেনাইলশিং অদুদা ট্রাবেল এল্লাৱেন্স অমসুং অপীকপা রিম্যুনরেসন য়াওনা নুমিৎ খুদিংগী এল্লাৱেন্সসু পীরি। য়ুমদা চৎপদা খুদোংচাদবশিংদগী আইআরটিদা একোমোদেসন পীবদা নত্তনা লাইরিক, য়ুনিফোর্ম অমসুং চান থক্নবা পোৎলমশিংসু পীগনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম অমনি হায়নরিবা পরবায়ি প্রোগ্রাম অসি চহী ১৮ দগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মপুন্সিগী অহানবা ওইনা ওফেন্সশিংদা চেন্নবা নহাশিংবু রিহেবিলিটেসন তৌনবগী পান্দমদা পায়খৎপনি।

ষ্টেট সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা প্রোগ্রাম অসি কুমজা ২০২২ গী মার্চতগী ফঙ্কসন তৌবা হৌখি। প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা নহা ওইরিবশিংবু লিগেল এসিষ্টেন্টস, স্কিল ট্রেনিং পীবগা লোয়ননা থবক থীবদসু মতেং পাঙগনি।

**T.M.D. BRICK FARM**
Address: Opp. Khongjom Police Station
NH-39, Thoubal District, Manipur

| Sl. No. | Brick Class | Rate per 1 Brick |
|---|---|---|
| 1. | 1st Class | Rs. 15.00/- |
| 2. | 2nd Class | Rs. 14.00/- |
| 3. | 1st Reject | Rs. 13.00/- |
| 4. | Petti | Rs. 13.00/- |
| 5. | Jhamat | Rs. 10.00/- |
| 6. | 3rd Class | Rs. 8.50/- |
| 7. | Broken brick (Chektek) 1 (407 Truck) | Rs. 6000/- |

DELIVERY TRANSPORTATION CHARGES

| KM (Distance) | No. of Bricks | Rate |
|---|---|---|
| 30km | 2000 | 2800/- |
| 15km | 2000 | 2000/- |
| 10km | 2000 | 1500/- |
| 30km | 1500 | 2300/- |
| 15km | 1500 | 1700/- |
| 10km | 1500 | 1200/- |

Labour Charges: 2000 Brick, Rs. 800/- 1500 Brick Rs. 600/-
First Come First Serve
Contact No. 8119002731/7005658426
HL-P/3304/10,12,14,16,18,20,27,29,31 (July) 2,4,6,8,10,12 (Aug) Alt Days

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR, SYLHET, & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KYRGYZSTAN, RUSSIA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY
1st PAYMENT 5 LAKH TOTAL PACKAGE 20L
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY
B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
BDS in INDIA (no donation) Top Colleges Recognised by DCI
BAMS (AYURVEDIC) BHMS (HOMEOPATHIC) (FULL PACKAGE STARTS FROM 6 LACS)
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Govindajee Temple, Imphal East
7005683347 9856167106
THOUBAL BRANCH ADDRESS : Thoubal Wangmataba Sorok Makha Near Manisang Primary School 9089049622
HL-B/7695/19/6-16/8 Alt

AFFILIATED TO COUNCIL OF HIGHER SECONDARY SCHOOL, MANIPUR
ACI SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Kwakeithel Akham Leikai, Imphal
A school of Advanced Coaching Institute & Under the guidance of Human Resource Centre & Research Institute
ADMISSION OPEN FOR XI SCIENCE & XI ARTS
SPECIAL FACULTY MEMBERS
1. Physics – Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar/ Dr. Bidyakanta (IIT)
2. Chemistry - R.K. Bahadur / Manglembi NET (PhD)
3. Maths – Dr. Sanjit / Kiranmala (Gold medalist)
4. Zoology – Dr. Ranjita/ Kh. Scityabati
5. Botany – Dr. Bijen / Dr. Thajamanbi
Supported by special faculty members of ACI
FEATURES
1. For Position holders in the HSLC exam *Free ship + Book Grant + Scholarship*
2. Students who scores 85% & above *Admission free + Half tuition free + scholarship*
3. Students scores 80% and below 85% *Admission free+Scholarship+Book Grant*
4. Students scores 75% and below 80% *Half Admission free + Book Grant*
5. Students score 70% and below 75% *Half Admission*
6. Students score 60% and below 70% *Direct Admission*
World class standard classroom with Smart Class
Contact : 9862992105
www.advancecoachinginstitute.com
Direct admission - 45% and above under conditions For few seats available
Form available: Office of Advanced Coaching Institute (offline)
HL-B/7788 (8/8 to 18/8)

ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR
FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 4th and 18TH August
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advancecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 -9AM 6--9AM 12—3PM 4.30- 7.50pm
For Query : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7788 (8/8 to 18/8)

FREE COACHING FOR CLASS X COMPARTMENTAL
Orgd. By
Human Resource Centre & Research Institute
SURE STEP TO MAKE SUCCESS
BATCH
ENGLISH : 4.30 TO 5.30 A.M.
MATHS : 5.30 TO 7.00 A.M
SCIENCE : 7.00 TO 8.30 A.M.
SOCIAL SC. : 8.30 TO 10 A.M
MIL : 10 TO 11.30 A.M
FREE FOODING AND LODGING FOR S.T /S.C & OBC STUDENTS UNDER CERTAIN CONDITIONS
FIRST COME FIRST SERVE
LIMITED SEATS
FEW SEATS REMAINING
HEAD OFFICE : NAGAMAPAL BRANCH & KWAKEITHEL BRANCH
CONTACT FOR DETAIL : 8787586090
HL-B/7788 (8/8 to 18/8)